ইজরেলনা চথখিবা নোংথক্কী লানদা পেলিষ্টিনিয়ন ২৪ শিখ্রে, কয়া অমনা শোকহনখ্রে: হেল্থ মিনিষ্ট্রি

জেরুসালম, মে ১১ (এজেন্সী) :

গজা ষ্ট্রিপতা ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা চথখিবা নোংথক্কী লানদা য়ামদ্রবদা পেলিষ্টিনিয়ন ২৪ শিখ্রে। অদুগা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না পেলিষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইজরেল ফোর্সশিংনা গজা ষ্ট্রিপতা লৈবা খান য়ৌনিস, অল-বুরেজি রিফ্যুজি কেম্প অমসুং অল, জাইটোনদা টার্গেট থমদুনা এটেকশিং অদু চথুরকখিবনি। ইজরেল্লি ৱার প্লেন অমনা অল-সাটি রিফ্যুজি কেম্পতা চথখিবা এটেক অমদা মীওই ৩ শিখি। শিখ্রবশিং অদুগী মনুংদা অমনা নুপীনি। অদুগা অতোপ্পা অমনা হকচাংগী ফীভম তোখায়রবা মীওই অমনি।

গজা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা ইজরেলনা হৌজিক ফাওবদা চথুরকখিবা এটেকশিংদা শিখিবা পেলিষ্টিনিয়ন মশীং ২৪ শুখ্রে। মদুগী মনুংদা চহী নৌরিবা অঙাং ৯ য়াওরি। অদুগা য়ামদ্রবদা মীওই ১০৬ ইজরেল্লি ফোর্সশিংগী এটেক্তা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী শেংবা রামজান থা লোইশিল্লকপগী মতমদা অঙাংশিংনা হরাও তয়াম্না শান্নরিঙৈ মতমদা ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা খঙহৌদনা এটেক চথুরকপদগী মপান্দা শান্নদুনা লৈরিবা অঙাংশিং অদু শিখিবনি।

গজা ষ্ট্রিপকী অৱাং থংবা শরুক্তা কাপশিল্লকখিবা রোকেট অনী পোকখায়রবগী থৌদোক্তা মীওই কয়া অমসু অশোক অপন নংখি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তসু ইজরেলনা চথুরকপা এটেক অমদা লৈখিদ্রবা মশাগী চহী ১০ রোমতা ঙাইরিবী নুপীমচা রাহফ-অল-মাস্রিদা স্কুলগী ওজাশিংনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। অমদি ইজরেল ফোর্সশিংগী কা হেনবা থৌওং অদুবুসু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা গজাদা নম্না লৈরিবা হমাজ গ্রুপনা ইজরেল রোকেট কয়া কাপশিন্দুনা এটেক চথখি। জেরুসালমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিবা রোকেট এটেক অদুদা ইজরেল্লি ফোর্সমরি শিহনখিবগা লোয়ননা খরা শোকহনখি।

জেরুসালমগী নোংপোকথংবা শরুক্তা লৈবা অল-অকসা মোস্ক কম্পাউন্দদা ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা পেলিষ্টিনিয়ন কয়ানা লাইনিং লাইশোলগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা চঙশিন্দুনা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথদুনা অশোক অপন কয়া থোকহনখিবা অদুগী মতুং হমাজনা ইজরেলদা এটেক অদু চথখিবনি।

হমাজনা চথুরকখিবা এটেক অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা নোংথক্তগী গজা ষ্ট্রিপতা এটেক চথখিবনি। হমাজতা ইজরেল্লনা মাঙজৌনিননা জেরুসালমগী মতাংদা খুৎ থিংজিল্লক্তনবা কয়ারক হন্না খঙহনখিবা লৈখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জেমিন নেতন য়াহুনা ফোঙদোকখিবদা ইজরেলদা হমাজনা চথুরকখিবা এটেক অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা গজা ষ্ট্রিপতা ৱার প্লেন শীজিন্নদুনা এটেক চথখিবনি।

ইজরেলনা চথখিবা এটেক অদুনা হমাজ গ্রুপকী মীওই কয়া শিহনখি হায়না ইজরেল্লি ফোর্সনা ক্লেম তৌরকখিবগা লোয়ননা ইজরেলদা শীংনরকপা খুদিংমক চপ চানা পাউখুম পীগনি হায়না ইজরেল্লি ফোর্সকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি। হমাজ গ্রুপকী মেম্বরশিংনা লৈরম্বা য়াবা মফমশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক অদু চথখিবনি অদুমওইনমক এটেক অদুনা মরাল লৈজদবা মীওই খরা মাইনর ওইনা শোকহনখিবা অদুগীদমক্তদি নুংঙাইতবা ফাওই হায়রি।

ন্যু য়োর্কতা ইন্দিয়ন ওরিজিন অমনা মহাক্কী অপোকপী মমাবু মাদর্স দে নুমিত্তা তমথিনা হাৎখ্রে

ন্যু য়োর্ক, মে ১১ (এজেন্সী) :

য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংগী মনুং চন্না হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা ইন্দিয়ন ওরিজিন অমনা মহাক্কী হেক অপোকপী মমাবু মাদর্স দে নুমিত্তা তমথিনা হাৎখ্রে হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি।

মশাগী চহী ২৮ লোম শুরবা পুসকার শর্ম্মনা জমাইকাদা লৈবা মখোয়গী য়ুম অদুদা মহাক্কী অপোকপী মমা সোরাজ শর্ম্মবু তমথিনা ফুদুনা হাৎখিবনি। তুংলোমদগী পুসকানা মহাক্কী মমাবু কোনশিন্দুনা লৈমায়দা ইন্থুখি। লৈমায়দা তাদুনা লৈরিবা মহাক্কী অপোকপী মমাবু মখা তানা মখোঙ অমদি মখুৎ শীজিন্নদুনা তমথিনা ফুবগী থৌদোক্তা জ্ঞান মাঙখিবনি। মমা অদুনা জ্ঞান মাঙলবা ফাওবদা পুসকানা ফুম্বা লেপ্তুবদগী মফম অদুদা অদুমক সোরাজ শিখিবনি।

মীহাৎ অদুদা চেন্নরিবা পুসকার ন্যু য়োর্ক পুলিসনা ফারবা মতুং কষ্টদিদা থমখ্রে। পুসিলনা পুসকারদা চথখিবা ৱাহং পাউখুমগী মতুং ইন্না মহাক মশানা মহাক্কী অপোকপী মমাবু হাৎপনি হায়বা য়াখ্রে। পুসকারনা পুলিসতা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা মহাক্কী মমাবু হাৎলবা মতুং মহাক্কী ৱালেট অমসুং গাড়ী ছো পুদুনা থোরক্লবা মতুং মনাক নক্লা লৈবা চর্চ অমদা চত্তুনা মীহাৎ অদুগী মতাংদসু কনফেস তৌজখি হায়রি।

সোরাজ শর্ম্মগী মচানুপীনা মখোয়গী ময়ুমগী লিভিং রুমদা মমা অদু জ্ঞান মাঙলগা তাবা থেংনখি। খুদক্তা মহাক্না এম্বুলেন্স কৌদুনা মমা অদু লোং আইলেন্দ জেৱিস হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথনবা হোৎনখি অদুবু হোস্পিটাল য়ৌরবা মতুং ডোক্তরশিংনা সোরাজ পু শিরে হায়না লাউথোরকখিবনি।

শর্ম্মগা য়ুম থংননা লৈবা কেলবিননা ফোঙদোকখিবদা পুসকার শর্ম্ম হান্নদগী হৌনা মেন্টেল হেল্থ প্রোব্লেম লৈবা মীওই অমনি অদুবু মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওই খুদিংমক লোয়নবদা য়াম্না নুংঙাই। অদুমওইনমক পুসকার শর্ম্মনা মহাক্কী অপোকপী মমাবু মীয়াম্না মাদর্স দেগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লরিঙৈদা তমথিনা হাৎলমখিবা অদু ঙক্তবা ঙমদে হায়রি।

যু এস নেভিদা ইরাননা ৱার্নিং হান্না পীখি

টেহরান, মে ১১ (এজেন্সী) :

গল্ফ রিজনদা যু এস ভেসেলশিংনা য়াম্না লৈবাকমচা তাদবা মওংদা চথুরকখিবা থবক থৌওংশিং অদু মখা তানা তৌদনবগীদমক ইরান রিভোল্যুসনরি গার্দনা অহানবদা ৱার্নিং পীখি হায়না ইরানগী রিপব্লিকান গার্দনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ৱাশিংটননা গল্ফ রিজনদা ইরানিয়ন বোটশিংদা ৱার্নিং পীবা ওইনা নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপখি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙসি ইরাননা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ইরান রিভোল্যুসনরি গার্দনা ফোঙদোরকখিবদা যু এসকী ভেসেল ৭ অরানবা মওংদা গল্ফ রিজনদা চঙশিল্লকখি। মখোয়শিং অদুবু মখা তানা চঙশিল্লক্তনবা রিভোল্যুসনরি গার্দকী নেভিনা ৱার্নিং হান্না পীখি।

যু এসনা ইরানগী ৱাফম অদুবু থওইনা লৌদবগা লোয়ননা হেলিকোপ্টরশিং কয়াসু পাইশিল্লকখি। অমদি নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপ্পা হৌরকখিবনি। ইরান রিভোল্যুসনরি গার্দনা লৈবাক অদুগী ঈশিং ঙমখৈগী শরুক্তা হান্নগুম্না রুটিন ওইনা পেট্রোল চৎলিঙৈদা আমেরিকান ভেসেলশিং অদু থৌজিল্লকখিবনি হায়রি। অদুমওইনমক ইস্লামিক রিপব্লিক্কী ঈশিং ঙমখৈগী শরুক্তা যু এস ভেসেলশিং অদু লানশিল্লকখিব্রা হায়বগী মতাংদদি চপ চানা ফোঙদোকপা লৈখিদে। ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা নাকোয়ননা ন্যুক্লিয়র দিলগী মতাংদা ৱারী শান্নবা হৌখ্রবসু উংখৎনবগী থৌদোক্তি মখা তানা অদুমক থোক্লি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অদুদগী ৱাশিংটননা কুমজা ২০১৮ দা তোকখ্রবা মতুং টেহরানগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিল্লকপদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলখিবনি।

যু এসনা মরাল শীরকখিবা অদু রিজেক্ট তৌখ্রে

রুসিয়া, মে ১১ (এজেন্সী) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা লৈবাক অদুগী লারজেস ওইল পাইপলাইনদা এটেক চথরকখিবা অদু রুসিয়াদা বেজ তৌবা গ্রুপ অমননি হায়না যু এসনা মরাল শীরকখিবা অদু রুসিয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা যু এসনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়রি।

রুসিয়ানা ঙসি ফাওবদা অসিগুম্না মখলগী থবক থৌওংশিং মালেমগী মফম অমত্তদা চথখিবা লৈত্রি। মশাগী ওইজবা তানবা জর্নেলিষ্ট খরনা মীয়ামদা রুসিয়াবু লান্না উহ্ননবা অরানবা পাউদমশিং পীরল্লিবা অসি লাইবকথিবনি হায়রি। অমরোমদা যু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননসু এটেক অদুগা রুসিয়ন গভর্ণমেন্টকা মরী লৈনবগী খুদম অমত্তু ফংদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চহী ১২ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা ফাইজর ভেক্সিন কাপ্পগী অয়াবা পীখ্রে

ৱাশিংটন, মে ১১ (এজেন্সী) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা চহী ১২ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা অঙাংশিংদা ফাইজর-বাইওএনটেক কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পদা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

যু এস ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন্না মমাংদা ইমর্জেন্সি কেস ওইনা চহী ১৬ শুরবা অমদি মদুগী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা ফাইজর ভেক্সিন অসি কাপ্পদা হান্ননা অয়াবা পীখ্রবনি।

ফাইজর বাইওনএনটেক কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন চহী নৌরিবা মীওইশিংদা কাপ্পা য়াবগী অয়াবা পীখিবা অদুগা মরী লৈননা যু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুদা কোরোনা ভাইরস শন্দোরল্লিবা অসি থিংনবা মরী লৈনবশিংনা অকনবা মওংদা হোৎনরি। চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পদা অয়াবা পীখিবা অসিনা মরম ওইরগা লায়না লাইচৎ অসি লাকশিনবদা চাওনা মতেং ওইরগনি। কোভিদ-১৯ গী অহানবা ৱেভতা লায়না লাইচৎ অসিনা মালেমগী ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখিবনি। অদুবু অনীশুবা ৱেভগী ওইনদি যু এসতা লায়না লাইচৎ অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কা হেন্না চৈথেং পীবা লৈত্রি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোকহন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মীয়াম্নসু গভর্ণমেন্টনা হোৎনরক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংশিনবগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ ভেক্সিনেট তৌনবা হোৎনগদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইজরেল্লি-পেলিষ্টিনিয়িনগী ৱাথোক তরাইনা লৌদে

জেনেভা, মে ১১ (এজেন্সী) :

ইজরেল, ইষ্ট জেরুসালেম অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন টেরিটোরিশিংদা থোক্লিবা য়ৈখাই থিনগাইবা অমদি নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্না মরম ওইরগা মরাল লৈজদবা মীওই কয়া শিহল্লিবা অদু য়ুনাইটেদ নেসন্সনা তরাইনা লৌদে। অমদি নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনরিবা অদুগী ৱারোইশিন অমা অথুবদা পুরক্নবা ইন্তরনেস্নেল কম্মিয়ুনিটিশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই হায়রি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ৱাঙাঙলোয় রুপর্ট কোলভিলনা জেনিভাদা ঙসি পাউমীশিংগী মমাংদা ফোঙদোকখিবদা নাকল অনীগী মরক্তা কাঙলুপ নাইবা অমদি য়েংথিনবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহল্লি। ইজরেল্লি সেক্যুরিটি ফোর্সনসু মীয়াম্না মখোয়গী অপাম্বা ফোঙদোকপা অমদি পুনশিন্দুনা মীফম পাঙথোকপদা অয়াবা পীগদবনি।

মীয়াম্না ঈংনা তপ্না পাঙথোকপা মীফমদা অহেনবা ফোর্স শীজিন্নদুনা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবক য়ারিবমখৈ তৌরোইদবনি। তঙাইফদনা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ঙাক্নবা হোৎনবদা সেক্যুরিটি ফোর্স শীজিন্নরবসু অসিগুম্বা থৌদোক মচা মচাশিংদা ইজরেলনা মখোয়গী ফোর্সশিং শীজিন্নরিবা অসি অচুম্বা নত্তে।

ইজরেল অমসুং হমাজ অনীগী মরক্তা রোকেট কাপশিন্দুনা এটেক চথনখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসিসু মরাল লৈজদবা মীওই কয়া শিহনখ্রে হায়রি।

দোমেষ্টিক ৱার্করশিংনা ভেক্সিনেট তৌবা হৌরগনি

হোং কোং, মে ১১ (এজেন্সী) :

হোং কোংদা লৈরিবা ফোরেন দোমেষ্টিক ৱার্করশিংদা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন কাপথোক্নবা অখন্নবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌরে হায়না হোং কোং ওফিসলনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

ওফিসল অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না হোং কোংদা লৈরিবা ফোরেন দোমেষ্টিক ৱার্কর ৩,৭০,০০০ দা অহানবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্নবা প্রোগ্রাম অমা পায়খৎপা হৌখিবনি। ফিলিপ্পিন্স অমসুং ইন্দোনেসিয়াদগী হোং কোংদা থবক শুবা মীওই কয়া লাক্লি। মখোয়শিং অদু অয়াম্বা নুপী ঙাক্তনি। অমদি হোং কোংদা মখোয়না ফংলিবা খুৎশুমল অদুসু অপিকপা চাংদনি। মরম অদুনা মখোয়শিং অদুগী খল্লগা অমদি লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবগী পান্দমদা পায়খৎলকপা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

বংলাদেশকী মথক্তা চাইনানা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ধাকা, মে ১১ (এজেন্সী) :

যুএসনা লুচিংবা ক্বাদ এলায়েন্সতা বংলাদেশনা য়াওশিনখিবা অদুবু বৈজিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা বংলাদেশকী ফিরেপ অদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা হান্না লৈনরম্বা মরী শোকচিলহল্লকপা য়াই হায়রি।

বংলাদেশতা লৈবা চাইনিজ এম্বেসেদর লি জিংনা চাইনিজগী দিফেন্স মিনিষ্টর জেনরেল ৱৈ ফেংহেগা উন্নরবা মতুং ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। এম্বেসেদর লিনা ফোঙদোকখিবদা বংলাদেশকী প্রসিদেন্ট অব্দুল হামিদনা বৈজিংগা পুল্লগা অতোপ্পা ৱর্ল্দ পৱারশিংদগী মাং থানা চৎপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। ধাকা অমসুং বৈজিংদা মিলিটরিগী অপুনবা শক্তম অমা শাগত্তুনা সাউথ এসিয়াদা মপাঙ্গল কনবা লৈবাকশিং ওইনা লৈনবা হোৎনবনা অফবা খোঙথাং ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি।

চাইনিজ এনভোই অদুনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুগী পাউখুম পীরদুনা বংলাদেশকী ফোরেন মিনিষ্টর ডা. এ কে অব্দুল মোমেননা ফোঙদোকখিবদা ধাকা মনীং মখা তম্না অমদি মশাগী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎলিবা লৈবাক অমনি। ধাকানা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা মরী থম্না নৎত্রগা থমদবা হায়বসি মখোয়গী ওইবা অপাম্বনি মসিদা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা ৱা ঙাঙবগী মথৌ তাদে হায়রি।

সেন্ত্রেল রুসিয়ন সিটিদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ শিরে: পুলিস

মোস্কো, মে ১১ (এজেন্সী) :

সেন্ত্রেল রুসিয়ন সিটিদা লৈবা হায় স্কুল অমগী মনাক্তা ঙসি মশক খঙদবা মীওই অনীনা মফম মরাং খঙদনা নোংমৈ কাপ্পদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৭ শিখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিস ওফিসলশিংনা হীরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অয়াম্বা চহী নৌরিবা অঙাং ঙাক্তনি। থৌদোক থোকপগী পাউ ফংলবা মতুং পুলিসনা মফমদুদা চঙশিন্দুনা মীওই অনী অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখি। অদুমওইনমক মখোয় অনীবু অচম্বা পাম্বৈনা লাকশিনবা ঙমদবদগী নোংমৈ কাপ্পুনা অকি অখং পোকহনখি। মদুদা নোংমৈ পায়বা মীওই অমা শিখি অদুগা অমনা ফাবা ঙমখ্রে হায়রি।

মীওই অনী অদুনা স্কুলগী বিল্ডিং মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা চথখিবা থৌদোক অদু করি মরমগীদমক চথখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা স্কুল অদুদা মহৈ তম্বা লাকখিবা মীওই কয়া অকি অখং পোল্লরে। পুলিসকী মায়কৈদগীদি থৌদোক অদু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌরে অমদি চেন্নবা মীওইশিং ফাবা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখ্রবসু মখা তানা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

রুসিয়াগী নেস্নেল এন্টি টেরোরিজম কম্মিটিনা ফোঙদোকখিবদা ঙসিগী থৌদোক অদুদা মীওই ৭ শিখিবগা লোয়ননা ১৬ অশোক অপন নংহনখি। এন্টি টেরোরিজম কম্মিটি অসি রুসিয়াগী ওইনদি খ্বাইদগী চাওবা ইনভেষ্টিগেটিং কম্মিটি অমনি। ঙসিগী থৌদোক অদু কম্মিটি অসিনা হকথেংননা থিগৎপা হৌখ্রে। অতেনবা মতমগী মনুংদা ঙসিগী থৌদোক অদুগী মতাংদা চপ চাবা পাউদম অমা মীয়ামদা পীবা ঙম্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

অমরোমদা রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা ঙসিগী থৌদোক অদুবু পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লনাই নোংমৈ পায়রিবা মীওইশিং কন্ট্রোল তৌনবা অনৌবা লো অমা শেম্নবা মহাক্কী মরু ওইবা কেবিনেট কলিগশিং কৌদুনা খন্নবা হৌখ্রে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং চহী নৌরিবা মীওই ঙাক্তনি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা মরিনা নুপামচানি অদুগা অহুম অমনা পীক্লিবা নুপীমচাশিংনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই ১৬ মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্টকী থবক চথরি। শোক্লবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ১২ না অঙাংনি। অদুগা মরিনা মপুং মরৈ ফারবা মীওইশিংনি হায়রি।

মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং



#	Country, Other	Total Cases	New Cases	Total Deaths	New Deaths	Total Recovered	Active Cases
	World	159,688,992	+78,986	3,319,692	+2,293	138,343,711	18,025,589
1	USA	33,515,308		596,179		26,507,427	6,411,702
2	India	22,992,517	+590	250,025		19,027,304	3,715,188
3	Brazil	15,214,030		423,436		13,759,125	1,031,469
4	France	5,780,379		106,684		4,917,101	756,594
5	Turkey	5,044,936		43,311		4,743,871	257,754
6	Russia	4,896,842	+8,115	113,976	+329	4,509,915	272,951
7	UK	4,437,217		127,609		4,250,699	58,909
8	Italy	4,116,287		123,031		3,619,586	373,670
9	Spain	3,581,392		78,895		3,274,808	227,689
10	Germany	3,535,354		85,481		3,196,900	252,973
11	Argentina	3,165,121		67,821		2,837,058	260,242
12	Colombia	3,015,301		78,342		2,835,554	101,405
13	Poland	2,838,180	+3,098	70,336	+319	2,580,245	187,599
14	Iran	2,691,352	+18,133	75,568	+307	2,144,197	471,587
15	Mexico	2,366,496	+704	219,089	+104	1,888,638	258,769
16	Ukraine	2,124,535	+2,208	46,631	+119	1,777,370	300,534
17	Peru	1,853,370		64,373		1,720,665	68,332
18	Indonesia	1,723,596	+5,021	47,465	+247	1,580,207	95,924
19	Czechia	1,646,981	+1,532	29,749	+16	1,583,590	33,642
20	South Africa	1,597,724		54,825		1,517,350	25,549
21	Netherlands	1,565,880		17,340		1,325,107	223,433
22	Canada	1,294,186		24,682		1,189,678	79,826
23	Chile	1,252,808		27,318		1,188,831	36,659
24	Iraq	1,117,627		15,800		1,011,606	90,221
25	Philippines	1,113,547	+4,734	18,620	+59	1,038,175	56,752
26	Romania	1,067,887	+1,156	29,135	+101	1,017,047	21,705
27	Sweden	1,021,604		14,217	+36	858,829	148,558
28	Belgium	1,017,876	+1,267	24,583	+32	888,546	104,747
29	Pakistan	864,557	+3,084	19,106	+113	766,492	78,959
30	Portugal	839,740		16,993		800,645	22,102
31	Israel	838,996	+39	6,378		831,706	912
32	Hungary	792,879	+493	28,792	+99	583,802	180,285
33	Bangladesh	776,257	+1,230	12,005	+33	715,321	48,931
34	Jordan	720,998		9,125		705,392	6,481
35	Serbia	701,326		6,576		664,243	30,507
36	Switzerland	675,671	+1,375	10,719	+4	606,910	58,042
37	Japan	645,817	+4,938	10,941	+65	564,128	70,748
38	Austria	632,766	+870	10,413	+21	607,712	14,641
39	UAE	539,138	+1,614	1,617	+2	519,405	18,116
40	Lebanon	533,141		7,507		487,126	38,508
41	Morocco	513,922		9,077		501,146	3,699
42	Malaysia	448,457	+3,973	1,722	+22	408,236	38,499
43	Saudi Arabia	427,370		7,085		410,816	9,469
44	Bulgaria	411,280		17,045		351,397	42,838
45	Nepal	403,794		3,859		306,794	93,141
46	Ecuador	402,060		19,242		342,878	39,940
47	Slovakia	386,136	+350	12,077	+26	368,447	5,612
48	Belarus	370,509	+742	2,652	+10	360,916	6,941
49	Panama	367,908		6,277		357,353	4,278
50	Greece	363,904		11,089		323,458	29,357
51	Kazakhstan	346,497	+1,766	3,948	+20	301,857	40,692
52	Croatia	345,623	+876	7,549	+46	330,329	7,745
53	Azerbaijan	327,087		4,698		307,011	15,378
54	Georgia	324,256	+1,788	4,336	+31	303,679	16,241
55	Tunisia	321,837		11,468		279,634	30,735
56	Bolivia	318,610		13,228		261,552	43,830
57	Palestine	302,249		3,378		287,206	11,665
58	Paraguay	299,684		7,209		248,587	43,888
59	Kuwait	286,046		1,652		270,883	13,511
60	Dominican Republic	272,108		3,540		231,963	36,605